# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ লৌবুক-হৈরোংকাক্

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিটুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



*ঐখোয়গী* লমদম মণিপুরদা হৈরোংকাক্ পাম্বী মখল ২ ফংবগী পাউদমশিং লৈ। মখোয়শিং অদুদি (ক) লৌবুক-হৈরোংকাক্ অমসুং (খ) উমং-হৈরোংকক্।

লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বী অসি ইংলিসতা ৱাইল্ড স্ট্রোবেরী (Wild strawberry) নৎত্রগা ফোলস স্ট্রোবেরী (Fales strawberry) নৎত্রগা ইন্দিয়ান স্ট্রোবেরী (Indian strawberry) নৎত্রগা ওল্ড ৱর্ল্ড স্ট্রোবেরী (Old world strawberry) নৎত্রগা ইন্দিয়ান মোক-স্ট্রোবেরী (Indian mock strawberry), ইন্দিয়াদা ভুইন (Bhuin) নৎত্রগা আখে (Aakhe) নৎত্রগা কোফাল (Kophal), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ফ্রেগারিয়া ইন্দিকা (Fragaria indica Andrews)* নৎত্রগা *দচেশনিয়া ইন্দিকা (Duchesnia indica Sm)* নৎত্রগা *পোটেন্টিলা ইন্দিকা (Potentilla indica (Andrews) Th. Wolf)* হায়না কৌই অমসুং *গুলাপ* পাম্বীগী শাগে *রোজেসী (Rosaceae)* দা চল্লি। লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বী অসি ইচম-চম্না হৈরোংকাক্ নৎত্রগা ইখোল-হৈরোংকাক্ হায়নসু কৌনে।

লৌবুক হৈরোংকাক্ পাম্বী অসি ইন্দিয়ান সব-কন্টিনেন্ট (Indian Sub-Continent) তগী হৌরকখিবনি হায়বগী পাউদমশিং লৈ। পাম্বী অসি মহৌশাগী ওইনা ইন্দিয়া, ভুটান, নেপাল, পাকিষ্টান, আফ্ঘানিষ্টান, চাইনা, জপান, কোরিয়া, টাইৱান, থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম, ইন্দোনেসিয়া অমসুং ফিলিপিন্সকী মফমশিংদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। লৌবুক নৎত্রগা ইখোল-হৈরোংকাক্ পাম্বী অসি অমেরিকাগী মরু ওইনা অৱাং থংবা মফমশিংদা হৌবগী পাউদমশিং ঐখোয়না থেংনৈ। ইন্দিয়াগী মনুংদা লৌবুক হৈরোংকাক্ পাম্বী অসি খরা শারপ তৌবা টেম্পরেট অমসুং সব-টেম্পরেটকী অয়াম্বা মফমশিং সমুদ্র ঈমায়দগী ফিট ৮০০০ ৱাংবা মফমশিং মরু ওইনা হিমালয়গী মফমশিং অৱাংলোমদা ইন্দসতগী হৌরগা খারোমদা হাইথরকপদা নিলগিরিস অমসুং অৱাং নোংপোক ভারতকী অয়াম্বা মফমশিং অদুমক মরাং কায়না হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বী অসি তম্পাক্কী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা লৌবুক, খোংবান, ইখোল, শঞ্জাবুং অমসুং উখা-ৱাখাশিংদা থোইদোক্না মরাং কায়না হৌবা থেংনৈ। লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বী অসি খরা চোংতক তৌবা নৎত্রগা ঈশিং মনিলগী চাং ফজনা য়াওবা লৈবাক লৈশা অমদি নুংশা মঙালগী চাং খরা হন্দুনা ফংবা মফমশিংদা য়াম্না চুশিন্না হৌবা ঙম্মী।

লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বী অসি ষ্টোলোন (Stolon) হায়রিবা মত্রা অদুনা মফম অদুগী অকোয়বদা চত্তুনা মরা তাদুনা পাম্বী ওইনা হৌদুনা অকোয়বদা পাক-শন্না শন্দোক্তুনা হৌগল্লি। পাম্বী অসিগী মশা পুম্নমক থোংলি অমসুং চহী ২দগী হেন্না পুন্সি। লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বী অসি মনাগী মওং য়েংলগা মখল ২ থোক্না খায়দোকই মদুদি মনা ৩ লোংবা অমসুং মনা ৫ লোংবা অসিনি। মনা ৫ লোংবা অসিদি খরা তাঙনা ফংই অদুগা মনা ৩ লোংবা অসিদি য়াম্না মরাং কায়না হৌগল্লি।

লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বীগী লৈশিং অদু লৈনা ৫ পাল্লি অমসুং লৈনাশিং অদু হঙ্গাম মপাল মচু ওই। অদুবু করিগুম্বা কান্দা অঙৌবা মচুগী লৈশিংসু অদুমক থেংনবিগনি। লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বীগী মহৈ অসি মুক্লবা মতমদা খৎনাওবীমুক চাঙনা ঙাকশং ঙাই অমসুং মতুম তাই।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না মমুল ফারবা লৌবুক হৈরোংকাক্ পাম্বীগী মহৈ অদুদা চাদা ৫৮-৬০ রোমদি মহী ওইনা য়াওই। হায়রিবা মহী অদু মিলিমিটর ১০০দা এসিদিটি (Acidity) গ্রাম ০.৬৭, টোটেল সুগর (Total Sugar) গ্রাম ৩.৪, রিদ্যুসিং সুগর (Reducing sugar) গ্রাম ১.৭৮ অমসুং নোন-রিদ্যুসিং সুগর (Non-reducing sugar) গ্রাম ১.৫৪ অসিনচিংবশিং য়াওই। লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বীগী অমুনবা মহৈ মিলিগ্রাম ১০০দা ভিটামিন সী (Vitamin C) অসি মিলিগ্রাম ৬.২৯ য়াওই। হায়রিবশিং অসি নত্তবা লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বীগী অমুনবা মহৈদা য়াওবা মচাকশিংদি এস (Ash) চাদা ১.৬৫, প্রোটিন চাদা ১.৫১, ফোসফোরস চাদা ০.০৭৭, পোটাসিয়ম চাদা ০.২৮২, কেলসিয়ম চাদা ০.১২৬, মেগনিসিয়ম চাদা ০.১২১ অমসুং আইরন চাদা ০.০১০ অসিনচিংবা য়াওই।

লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বীগী মহৈ অসিদা সুগর অমসুং অতোপ্পা সোলুবল সোলিদস (Soluble Solids) চাং য়াম্না হন্থনা য়াওবা মরম্না চাবদা থোইদোক্না মহাও য়াওবদি ওইদে। অদুম ওইনমক হায়রিবা মহৈ অসি অঙাংশিংনদি অদুমক পাম্না চানে। চাইনাদদি লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বীগী অমুনবা মহৈ অসি পাক শন্না চানবা মরম্না পাম্বী অসি ফজনা থাবগী থবকশিং তৌই।

লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বী অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী অনা-লায়েংদা শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বী অদু ফজনা শুগাইরগা অশোক-অপন তৌবদা থোম্বদা ঈ থোকপা অদু থুনা খকহনবা ঙম্মী। হায়রিবা অশেম্বা অদুনা উনশাদা মহীক-মতাং পকপশিং অদু হাৎপা ঙম্বগী পাউদমশিং লৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা য়াম্না কন্না অরুম-লাইহৌ তৌরবদি লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বী অদু শুগাইরগা শেম্বা অনঙবা মহী অদুনা লাইবক্তা অমসুং হকচাংদা চাং নাইনা নোংমদা ৩ লক তৈদুনা লায়েংবা য়াই। উনশাগী লায়নাশিং মরু ওইনা ইকজেমা (Eczema) অমসুং লাইকোই (Ringworm) তৌরবদি লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বী শুগাইদুনা শেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈবদা কান্নবা ফল ফংবা ঙমগনি হায়বগী পাউদম লৈ।

লিন অমসুং তীল-কাংনা চিকপদা লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বী শুগাইরগা থোমদুনা লায়েংনৈ। পাউদম অমগী মতুং ইন্না লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বীগী মপান অদু শুগাইরগা খোইহী খরা নৈখায়রগা শেম্বা মচল অদু চাং নাইনা পীজবদা মীওইবগী ঈগী খোঙজেল অসি চাং নাইনা থম্বা ঙম্মী। লৈথেক্তুনা শীংলি থুপ্তুনা পোমখৎপা অমসুং য়াম্না নাবদা লৌবুক-হৈরোংকাক্ পাম্বী অদু ঈশিং খরগা ফুৎলগা হীগা য়ৈবদা য়াম্না কান্নগনি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি হৈরোংকাক্ পাম্বী, কিহোম মনা, নুংগাই-পেরুক অমসুং শিদামিশ্রী পূন্না ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু নোংমদা গ্লাস ২-৩গী চাংদাদা নুমিৎ ২০ রোম চাং নাইনা পীথক্তুনা মীওইবদা নূং লৈবা (Calculi) অসি লায়েংনৈ। হায়রিবা মহী অদু পীথকপদা ঈশিং মরী অমসুং কিদনিদা লৈবা নূং অদু মচেৎ-মচেৎ কায়হন্দুনা হক্কী ঈশিং চৎপদা পুথহনখিবা ঙম্মী।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী সিল্লেবস

-লোংজম সোমোরেন্দ্রো (অরুন)-

*লমদমসিগী* ঈনাৎপু ইনাক খুল্লে হায়নরিবা ঈনাৎশিং অসিবু য়োকখৎনবা হায়দুনা লীংখৎখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অসিগী মতাংদা করিক্যুলম অমসুং সিল্লেবস অসিগী ৱাফম খরদং থমজরি। লীংখৎখিবা মহৈ তম্ফমশঙ অসিগী চপ চাবা করিক্যুলম অমসুং সিল্লেবস অসিদা মওং-মরীল তাদবা খরদি লৈতবা নত্তে। মহৈ তম্ফমশঙ অমগী করিক্যুলম অমসুং সিল্লেবস অদু য়েংলগা মদুদগী থোরক্কদবা মহৈরোয়শিং অদুগী মতিক-ময়াই অমদি হৈ-শিংবনচিংবগী থাক অদু লেপ্পা হায়বসি মালেমগী ওইবা চৎনবীনি। অদু ওইরবদি খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফমশঙ ওইরিবা য়ুনিভর্সিটি অমগী করিক্যুলম অমসুং সিল্লেবস অসি কয়ামুক মরু ওইরমগদগে হায়বসি অমুক্তং খন্থদুনা য়েংমিন্নসি। খুন্নাই অদুগী ফুরুপ অদুগী, লৈবাক অদুগী চাওখৎপগী চাং অসি লৈবাক অদুগী মহৈ তম্ফমশঙ ময়ামশিং অদুগী মখা পোল্লিবনি। লৈবাক অমগী তুংগী মরাইবক অসি খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী মহৈলোইশঙশিং অসিনা হেক হেক লেপ্পী হায়বা ৱাফমসিদা য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা ইনাক খুল্লি হায়রিবা মণিপুরগী কলচর হেরিটেজ অসি কদাই ফাওবা ঙাক্তুনা অমদি মালেমগী করম্বা থাক্তা ফাওবা পুখৎপা ঙমগদগে হায়বদু হৌজিক্তি নৈনদুনা য়েংবা য়ারক্লে।

হৌখিবা চহী ২০১৬কী ওক্টোবরদগী ক্লাস হৌখিবা য়ুনিভর্সিটি অসিদগী পুথোক্লক্কদবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী গ্রেজুয়েটশিং অদুগী থাক অদুনি মণিপুর কলচরবু নুংশিজবা কাঙবুনা য়াম্না খৌরাংনা ঙাইরিবসি। ময়েক্কীদি চৎলিবা চহীসিগী তঙ্খায় চল্লকপদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী খ্বাইদগী অহানবা গ্রেজুয়েট মহৈরোয় পুথোক্কদবনি, অদুবু হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা য়ুনিভর্সিটিগী খোঙজেল অমদি খোঙথাং অসি য়েংলুরগদি কলচরগী খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী মহৈলোইশঙ অসিনা মশাগী পোথোক পুথোকপা হৌবসি করম্বা মতমদা ঙমগদৌরিবনো হায়বা চপ-চাবা হায়বা ঙমদ্রি। দিপার্টমেন্ট খরদি মশাগী ওইবা ওজা অমত্তা হাপ্তুনা অৱাইবা গেষ্ট ওজাশিংতনা (করম্বা গাইদলাইনগী মখাদা লৌবনো হায়বসু খঙদবা) তাকপী তম্বীরি। য়ুনিভর্সিটি মশাগী চপ চাবা Examination Rules and Regulations, Academic Calendar সু অমত্তা শেমদনা পাঙথোকখিবা এগজামিনেসন ময়ামদু কদাই ফাওবা ক্বালিটি লৈনা চত্থরমগদবনো হায়বদু য়ুনিভর্সিটি অসিবু নুংশিজবা কাঙবুদি শোয়দনা খঙনীংলমগনি। পূম্নমক্তগী হেন্না মরু ওইরিবদি মহৈরোয়শিংগী তুংগী মরাইবক লেপকদৌরিবা কলচর য়ুনিভর্সিটি অসিগী করিক্যুলম অমদি সিল্লেবস অসিনি। করম্বা করিক্যুলম ফ্রেমৱার্ককী মখাদা করম-করম্বা সবজেক্ট এক্সপার্টশিং, ইমিনেন্ট স্কোলরশিং অমদি একাদেমিসিয়নশিংনা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিং অসিগী করিক্যুলম অমদি সিল্লেবসশিং অসি কয়াম ক্বালিটি লৈনা শেম্বনো হায়বা অসিসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

সিল্লেবস ময়ামসিনা করম করম্বা মতিক ময়াই চেনবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লক্কদগে হায়বদু য়ুনিভর্সিটিগী একাদেমিক কাউন্সিল কয়ারক ফমদুনা কূপ্না খন্ন-নৈনখিবগে হায়বদুগী চপ চাবা ৱারী-ৱাখোঙ অদুম লৈরমগনি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী পান্দমশিং অমদি অশানবা মীৎয়েংশিং অসি প্রোস্পেক্টসতসু ফজনা মমি তাদবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী সিল্লেবসশিংদসু ফজনা উৎথোক্তবনা সবজেক্টশিং অসিগী মাগী-মাগী পান্দম অমদি পন্থুংশিং অদু খঙদবনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা মিং চন্দুনা মহৈ তমজনীংবা মহৈরোয়শিংদা অচৌবা চমম্নবা অমা শোয়দনা থোক্লমগনি। গুরু-সিষ্য পরমপরাদা চত্থরিবা কলচর ইন্সটিট্যুটশিংগী মহৈ-মশীন খূৎতমগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অসিদা চত্থরিবা মওংসিগা কয়াম খেন্নরিবনো? থিওরি অমসুং প্রেক্টিকেলগী শরুক তোঙান তোঙান্না খাইদোক্লরগা চত্থরিবা এম য়ু সীগী সিল্লেবস মওংসি দিপার্টমেন্ট লোইনমক্তসু মান্ননা তৌবগী মমি তাদে। মসি কলচর য়ুনিভর্সিটি অসিগী চপ চাবা পাদম/কাঙলোন অমা লৈতবগী খুদম ওইরোইদ্রা? মমাঙদা পাঙথোকখিবা সেমিষ্টর পরিক্ষা খরদুদা হংখ্রিবা ৱাহংশিংগী থাক অদু কয়াম ৱাংবা/নেম্বা লোয়ননা দান্স কোলেজ অমদি একাদেমি অমসুং এম য়ুগী দান্স ওফ ম্যুজিক দিপার্টমেন্টকীগা কয়াম খেন্নবগে/মান্নবগে হায়বদু মীওই খরদি শোয়দনা নৈনরমগনি। পূম্নমকসি চাউরাকপা অমা য়েংলুরগদি কলচর য়ুনিভর্সিটি অসিনা পুথোক্লক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিং অসি নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা কাখৎপা ইঙম-ঙমগনি হায়বা কয়া থাজদে। মালেমগী থাক্কী প্লেটফোর্মশিংদা একাদেমিসিয়ান কম পার্ফোমর ওইনা লেকচর কম দিমোন্সত্রেসন ফজনা পীদুনা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা আর্ট এন্দ কলচরবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙম্বা মহৈরোয়শিং পুথোক্লবগী ভিজন কয়া য়াওদবা কলচর য়ুনিভর্সিটিগী তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংগী সিল্লেবস ময়ামসি করম্বা মতমদা রিভাইস তৌদুনা মালেমগী থাক্তা লৈবা করিক্যুলম সিল্লেবসশিং ওইহনগদৌরিবনো?

দিপার্টমেন্ট ওফ লেংগ্বেজ হায়বা অমা লৈরিবা অসিদা য়াওরিবা মণিপুরী অমদি ইংলিসকী সিল্লেবসশিং শুম নৈনবদা দিপার্টমেন্ট অসিগী পান্দমশিংদু করিনো হায়বা ৱাহং অমা থোরকই। ইংলিস লোন মালেমগী মীয়ামগা তোৎন-তিন্নবা ঙম্ননবা তঙাইফদনা খঙবা - হৈবা মথৌ তাবনা কম্যুনিকেসন স্কিল (ইবা, পাবা অমদি ঙাঙবা ফজনা ঙম্নবা) হেনগৎহনবা মথৌ তারবসু হৌজিক তল্লিবা ইংলিসকী পাড়াশিং অসিদি অয়াম্বনা ৱেষ্টর্ন ইংলিস লিটরেচরদা মীৎয়েং চঙদুনা লৈরি। তঙাইফদনা ইংলিস লিটরেচরগী পাড়া খরা য়াওহনবা তারবসু লমদমসিগী লৈহাওদা য়ুম্ফম ওইবা ৱারেং-শৈরেং অমত্তা ফংদ্রিবরা? ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিং অমদি পার্ফোমরশিং অসিনা মালেমগী প্লেটফোর্মশিংদা থোরকপদা লোনগী হৈ শিংবা অদু লৈহন্নবা হোৎনবনা দিপার্টমেন্ট ওফ লেংগ্বেজগী পাদম ওইফম থোক্তবরা? মণিপুরী সেক্সনগীসু অদু মঙাই। মণিপুরী কলচর তম্ননবা অমদি নৈননবা হোৎনবদা মণিপুরগী লোন ফজনা খঙবা-হৈবা মথৌ তাবনা (লোন অদুদা ফুরুপ অদুগী নাট-চৎনবী, হৌরকৱারীনচিংবা কয়া তোংদুনা চৎলিবা মরম্না) লোনসিগী হৌরকৱারী, মথং-মথং চাওখৎলকপগী তাঙ্ককশিং, অরিবা লোন অমদি ময়েকশিং, লোন অসিগা ঐখোয়গী নাট-চৎনবীশিংগা লৈনরিবা মরী, লোনসিগী ডাইলেক্টশিং, পাউরৌ-পান্থৈশিং, থৌগল্লোনশিং, অতোপ্পা লোনশিংনা মণিপুরীদা তিনশিল্লকপগী মতাংশিংনচিংবা কয়া সিল্লেবসতা হাপহৌবা মথৌ তারোইদ্রা? অরিবা মণিপুরী কলচরশিংদি থায়নগী পুয়াশিংদা মরাং কায়না য়াওরিবনা মহৈরোয়শিং মৈতৈগী পুয়াশিং পাবা ঙম্ননবা মণিপুরী দিপার্টমেন্টনা থৌদাং লৌফম থোকই। ফোরেন লেংগ্বেজশিং তম্ফম লৈরক্লবা মতমদা দিপার্টমেন্ট ওফ লেংগ্বেজ অসি হেন্না মপূং ফারকখিগনি হায়না খল্লি।

ঐখোয়গী লমদমসিদা লীংখৎচবা কলচর য়ুনিভর্সিটি ওইবনা ঐখোয়গী নাট-চৎনবীশিং নৈনবদা হেন্না মীৎয়েং চঙফম থোকপা অসিদা হৌজিক হৌজিক তম্বীরিবা সিল্লেবস ময়াম অসি য়েংলুরগদি নীংবা কায়নীংঙাই ওইরি। জগোয়-ঈশৈ, থিএটরনচিংবা দিপার্টমেন্ট খরদদি মীরমগী/মীতোপকী কলচরদনা হেন্না মীৎয়েং চঙলগা ঐখোয়গী কলচরদনা অতোম্বীগী মচাদা য়েংবা মীৎয়েংদা লৈরি। ইশা হান্না ফজনা ইশক খঙজরবা মতুংদা মালেমগী অতোপ্পা কলচরশিং তম্ননবা মওংদা সিল্লেবস শেম্নবদি য়ুনিভর্সিটি অসি লীংখৎপগী মহয় য়ানগনি নৎত্রগদি লৌশিত্তা খাজনা থিবা, ফুদিৎতা মাংজোংবা হায়বদু তারনি।

লমদমসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী হৌরকৱারী, খুম্হোকলোন, খুন্নাইলোন, শাগৈ-সলাই, পুন্সিরোন, য়ূম্বাল্লোন, য়ূমশারোন, লৌউ-শিংউগী কাঙলোন, লৈঙাকলোন, লম্মীৎলোন, থাপালোন, লায়েং কাঙলোন, শাজেল কাঙলোন, চিঙ্গাকলোন, চাকচা-য়িথক, ফিজেৎ-লৈতেং, শেন্মীৎলোন, থকসি-খাসি, হৌন-লোনচৎ, নাটকী মশান্না, কষ্টমরি লো, খূৎ-শা হৈবগী কাঙলোন, লল্লোল-ঈতিক, মিথ এন্দ লিজেণ্ড, ফোকলোর, সোসিয়েল ইন্সটিট্যুসন্স, অরাংফম, ঙাফা-চাকফা, কৈথেল, চীংমী-তম্মীগী মরী, শা-লান, অকে-অমৌ, মীংগৌ-থাগৌনচিংবা ঐখোয়গী ইথনোগ্রাফিক টোপিকশিং অসি করম-করম্বা দিপার্টমেন্টনা কলচর য়ুনিভর্সিটি অসিদা তাকপী-তম্বীরিবগে? লমদমসিগী ওইবা অরিবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম, আর্কিওলোজিকেল ফাইন্দিংস, ম্যুজিয়মগী নোলেজশিং মহৈরোয়শিংদা কম্মন ওইনা তম্বীফম থোক্তব্রা? ঐখোয়গী অরিবা লাইনীং লম্বী, লাই-তীল, লাইফম-তিনফম, লাইথৌ-তিনথৌ, অপোকপা খুরুম্বা, পোৎশেম, হীকাপ-তেনকাপ, লাইনীংগী ওইবা ৱাংউলোনশিং, Theology, Religious Tenets/Teachings, Ethics, moral & spiritual value system, taboos, superstitions, spiritualism নচিংবগী পাড়াশিং অসিদি অদুম চিথহৌবা তারব্রা? মতাংসিদা Dept. of Cultural Theories & Studies না করি করি থৌদাং লৌরকপগে হায়বদু য়েংলসি। গ্রেজুয়েসনগী থাক্তদি মণিপুরী কলচরগী সবজেক্ট ময়ামসি মরিশুবা সেমিষ্টর ফাওবদি সবজেক্ট অহুমগী কম্বিনিসন অমা লৌহল্লবা মতুংদা অরোইবা সেমিষ্টর অনী অদু ওনরস সবজেক্ট ওইনা চত্থহন্নবা (অতৈ য়ু জি সীগী মখাদা লৈবা কোলেজশিংদা তৌনবগুম্না) হোৎনবদি করি কায়। স্পিসিয়েলাইজেসন অসিদি কোন্না লাক্কদবনি অহানবদা কলচরগী তোঙান-তোঙানবা পেপরশিংগী নোলেজ লৈহনবা মথৌ তারোইদ্রা?

অদুনদি মশাগী মনাৎ অমগা শাগোন্ননা লৈরিবদি তাইবঙ মীওইবা হায়বা ঐখোয় অসিনি। মীওইবনা নীংশিংবা থোক্রবা মপা-মপুগী মনাৎশিং অদু চহী চা কয়া হৌখ্রবা তুংদা মদুবু হেন্না হেন্না ফজগদবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎতুনা মনাৎ (কলচর) অদুবু ফজগদবা মওংদা ওইনা শেমদোক্নরকই। মদুনা মীওইবশিংগী চৎনবী ওইরকই। মদুনা মালেমদা মশা মশাগী ওইবা চৎনবী ওইরকই। মাগী মাগী ওইবা ফুরুপ নাইনরিবা মীওইবা খুন্নাইশিংগী চৎনরোলগা শাগোন্নরবা নাট অমা ওইরকই। অদুনা কনাগুম্বা ফুরুপ অমগী মনাৎ (কলচর) অদু মুন্না য়েংলবদি খুন্নাই অদুগী চাওখৎলকপগী হৌরকফম খঙবা হায়বসি কুপশিন্না খন্থবা অমদি য়েংশিনবা ঙল্লবা অখঙ-অহৈশিংদদি খুন্নাই অদুগী হৌরকফম ফাওবা খঙবা ঙম্মে। মরম অসিনা খুন্নাই অমগী মশক খঙগে হায়রবদি খুন্নাই অদুগী মনাৎ অদু য়েংলগা চাওখৎপগী থাক খঙবা ঙল্লিবনি। অসুম্না মীতৈ খুন্নাই অসিবু মশক খঙবদা ইকায়খুম্নফমগী ফিদা অমা মালেমদা ফংজরিবা অসি মীতৈশিংগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা উমংলাই হরাউবগী মপান্নি। ঐখোয়গী লৈজরিবা লাই হরাউবগী থৌরম অসিদগী শেমগৎ শাগৎলগা থোকহনখিবা নট সঙ্কীর্ত্তন, জগোয় রাস, থাঙ-তা অসিনচিংবা কয়া অমা পনবা য়াই। মরম অসিনা সঙ্কীর্ত্তন অমদি রাস লীলা হৌরকপগী ৱাফমদা লাই হরাউবদগী চত্থরক্লিবা জগোয় খূৎথেক শাথেক কয়া য়াম্না য়াওবগে অমদি পরিংশিং মান্নবগে হায়বা অদু অমুক্তা য়েংমিন্নসি।

অসুম্না লাকপনা ঐখোয়গী লাই হরাউবা মতমগী য়াওন মতুং ইন্না হোংলকপা খুন্নাইগী লোনচৎ-শাজৎনচিংবা মথং-মথং তাশিল্লক্তুনা অসুম-অসুম হাপ্লকপা শেমদোরক্তবা নত্তে। মতমগী মতুং ইন্না অনৌবা শকলোনগী মমি তারক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অমরোমদা অমুক য়েংলবদা সঙ্কীর্ত্তনগা মান্নে হায়রিবা লাই হরাউবগী থৌরমশিং অদুগী পরিংদি অহানবগী খয়োম লাকপা অমসুং লৈরাই য়ুখাঙবগী থৌরম অদুগা সঙ্কীর্ত্তন হৌদ্রিঙৈগীদা মণ্ডলি পুজা অমসুং অরাংফমগী লক্ষ্মী পুজাগা অসি তৌই। লাই ইকৌবদা হীরি চিংলিবা থৱায় মী কৌরিবদু খয়োম অমদা লংজা ৯না লাইবঙথৌশিংগীনি, অনীশুবা খয়োমদনা লংজা ৭ মাইবীনা পায়রিবদুনা লাইনুরাশিংগীনি। সঙ্কীর্ত্তনগীদনা রাগ হৌবগা মান্নে। লাই হরাউবগীদা মাইবীনা খয়োম লাক্লগা লৈহুন তল্লিবদু সঙ্কীর্ত্তনগীদনা রাগ হৌরমদাইদা লৈ চন্দন পালা অমসুং মৈ কৎলি। লাই হরাউবদা হোই লাউবদগী লাইকৌ লাইচিং ফাওবদা ফোঙদোক্লিবদু সঙ্কীর্ত্তনগীদনা গৌরচন্দ্রিকা নবদ্বিপ ভাব অমসুং সঙ্কীর্ত্তনদা শ্রী গৌরাঙ্গ প্রভু লেঙশিনবগা চাংদম্নবা য়াই। লাই হরাউবগী লাইরেন মথেক হায়বসিগা সঙ্গীর্ত্তনগী বেরী কোইবগা মান্নে। লাই হরাউবগী ৱাকোল ঔগ্রী, খেনচো অমদি পাওসানচিংবদগী সঙ্কীর্ত্তনগী ব্রজ রাস সন্তোগ - স্বধিননচিংবা মান্নে। লাইরোইগী শরুক্তা হিজিং-হিরাও অমসুং ৱাকোলদগী নট সঙ্কীর্ত্তনগী জয়ভায় চৈতৈ-নিত্যাইনা মকোন থাগোললি। অসুম্না নট সঙ্কীর্ত্তননা লাই হরাউবদগী হিন্দু লাইনীংগী মওংদা পাঙথোকপনি। লাই হরাউবনা মৈতৈ নাটকী মহৌশা ওইবা মালেম অসি শেন্নকপদগী লৈরক্লবনি।

লাই হরাউবগী পরিংদসু অদু মঙাই লাই হৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা লাই অদুগী ফিরোল শেৎলগা ফমদেংদুনা থমই। অদুগা লাইহৌ নুমিত্তা ঈকৌরগা লাইগী থৱায় হাপ্লগা মাইবীনা জগোয় কৎলি। রাসকিনা শ্রীগোবিন্দগী মাণ্ডবতা কৎপা রাসকী পরেংদা লাইশঙদা ফি শেৎপা লোইরগা পুং ঈশৈগা লোয়ননা লেঙথোক্লগা সিংহাসন্দা লেঙশিল্লগা আর্তি কৎতুনা থৱায় হাপ্লগা মাইবী জগোয়গী মহুত্তা নুপা পালা শকই। নুমিৎ খুদিংগী চত্থরকপা পরিংদা মাইবী জগোয়না হৌরগা নুপা-নুপী খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা জগোয় শাই। জগোয় হৌরমদাইদা লৈরাংবনা লৈ য়েল্লি। রাসতনা অহানবদা লৈ-চন্দল কৎলগা সুত্রধারীনা রাগ হৌরগা গোপী ময়াম থোক্তুনা জগোয় শারগা বৃন্দাবন বর্ননচিংবা শকই। লাই হরাউবগী জগোয় শাবা লোইরগা লাইবৌ জগোয় হৌই। রাসকীনা ভঙ্গি পরেং শাই। লাইবৌদি পেনা খোংবনা হোইরৌ হৈয়া শকই, রাসতনা সুত্রধারীনা ভঙ্গি পরেংগী ঈশৈ শকই। লাইবৌ লোইরগা লাইরেল মথেক চৎলি, রাসতনা পুস্পাঞ্জলি কৎতুনা চৎলি। ৱাকোল লাওরগা লাই লেঙশিল্লগা কোনয়াই কৎলগা হরাউবা লোই। রাসতনা প্রার্থনা কৎলগা রাস লোই। মতৌ অসুম্না লাই হরাউবদা মীতৈ হায়বা ফুরুপশিং অসিগী লাইনীং, চৎনবী, চাওখৎলকপগী মরম, মনাৎনচিংবা পূম্নমক লৈরিবনি। অদুগা রাসকী খূৎথেক শাথেক পূম্নমক লাই হরাউবদগী লাকপা উৎলি। হায়জনীংবদি লাই হরাউবা অসি লাইনীংনা হোংদ্রিবা ফাওবা থাদোক্লবা য়াদ্রবা লাইনীংগী ওইবা থৌরম অমনি। মসিনা মালেমদা মরূ হুনখিবা নুমিত্তগী ঙসি ফাওবা হিংলিবা অসি মরুওইবা লাইনীং ওইবনা মুৎলক্তবনি।

মতৌ অসুম্না লমদম অসিগী লৈজরিবা ঈনাৎ (কলচর) গা শাগোন্নবা মচাকশিং অসিবু মাঙদনবগীদমক্তা তাকপী-তম্বীনবগীদমক্তা লীংখৎখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর ওইরমগনি থাজে। ঐখোয়গী ইরল ওইননবা থম্বীরম্বা অমদি হৌদোকপীরম্বা য়ুনিভর্সিটি অসিদি ময়ান তুয়ান তৌদুনা মুৎখ্রগদরা খল্লি। অদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী করিক্যুলম অমসুং সিল্লেবস অসি অমুক হন্না অখঙ-অহৈ তানরগা য়েংশিনফম থোক্তবরা।

মরোল থোকপা লাই

